ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুলাই ১৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১১০ শুবা মশীং

নোর্থ ইষ্টতা সেন্টরগী মীৎয়েং

মণিপুরগী অৱাৎ-অপাশিং নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনসি

চাওখৎলবা ইন্দিয়া ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিং নৎত্রগা ষ্টেট অমবু তোখায়না ইন্থোক্লম্বা য়াবা নত্তে হায়বসি মমিং লৈরবা পোলিটিসিয়ন কয়ামরুমগী চিম্ফা পুরবা ৱাহৈনি। ৱাহৈ পরেং অসি কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক লৈরিঙৈ নৎত্রগা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) গী লৈঙাক লাক্লবা মতমদসু অমগা অমগা ইমান-মান্নবা ৱা ঙাঙই। অদুবু কনানা খরা হেন্না থবক তৌরিবগে হায়বদুদি মীয়াম্না লেপ্পী। অমরোমদা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরিবসি ষ্টেট অহুমনি। ষ্টেটশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশ, আসাম অমসুং মণিপুরনি। নাগালেন্দদা বি জে পিগা চূংশিন্নবা দি এ এন গভর্ণমেন্টসু লৈরি। হায়রিবা বি জে পিনা লৈঙাক্লিবা ষ্টেট অহুম অসি হান্নদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা হাইনা-হুম্না পাল্লম্বনি। কোংগ্রেসকী মতমদা লূক ইষ্ট পোলিসী হায়রম্বদগী বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা তুংদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এক্ট ইষ্ট পোলিসী হায়না মমিং থোনখি। পোলিসী অসিগী মখাদা করি-করি চাউখৎ-থৌরাংগী থবক লৌখৎকদৌরিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা ময়েক শেংবা ঙমদনা লৈরি। অদুবু ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক য়াওনা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়ামরুম ম্যান্মারদা চৎখিবা লৈখ্রে। লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়ামরুম ম্যান্মারদা চৎলুরবসু নৎত্রগা ম্যান্মারগী লুচিংবা কয়ামরুম ইন্দিয়াদা লাকখিবা লৈরগসু মণিপুরগী মীয়াম্না অৱাং-নোংপোক লমগা নকশিন্নবা মরী থম্নবগী মঙলান অদুদি হৌজিকসু মঙফাওনহনবা ঙমদ্রি। খুদম ওইনা ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিস হৌদোক্কনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা ফোংদোকখিবা ৱাফম হৌজিকসু মহয় চাবা ফংদ্রি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফাল/তুলিহল এয়রপোর্টপু ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ওইহনগনি হায়দুনা মী তানরিবা পাক-চাউরবা মফম অমা নংহৌররোই মতাগুম মণিপুর লৈঙাক্লা কৎখ্রগা ঙসি ফাওবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ওইরে হায়না লাউথোকপা লৈত্রি। মসিদসু নত্তনা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমা ওইবগী মচাক-মথুমশিং নিংথিনা শেমগৎপা লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক থৌরমশিংদা থৱায় হাপকদবদা লল্লোনবা খরনা পংহায়দা হায়জিনবদা লৌখিবদগী মতম অমদা মঙাল নাইনা ম্যান্মারগা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌনরম্বা মণিপুরী মচাশিং হৌজিক্তি কোক্তা খুৎ হাপ্লে।

মতম অমদা ম্যান্মারনা ইন্দিয়ানা শাবা সাইকলশিং মণিপুরগী খুথাংদা মশিং য়াম্না পুশিল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্লা ম্যান্মাররোমদগী মণিপুর ফাওরগা ইন্দিয়ারোমদা মখল-মখা কয়ামরুমগী সাইকলশিং থাদোরক্লি। মণিপুর ফাওদুনা লল্লোনবা ক্বা সুপারি অমসুং লোংপান হৌজিক্তি মণিপুররোমদা চৎখিদ্রে। কোলকট্টা নৎত্রগা অতৈ লৈবাক অসিগী মরু ওইবা হিথাংফমশিংদা ফাওরগা চৎখ্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ক্বা সুপারি অমসুং লোংপান মণিপুররোমদগী পুশিল্লকপদা চাদা ৪০ গী চাংদা টেক্স লৌবদগীনি। অদুগা অতৈ হিথাংফমশিংদা পুশিনবদনা য়াম্না থিনা নেম্বা চাংদা টেক্স লৌখিবদগীনি। অসিগুম্বা অপীকপা ৱাখল্লোন অমসুং মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবীদবদগী মণিপুরদা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং হৌগৎপা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা মমিং লৈবা লল্লোনবা মীওই থোরকপা ঙমদে। মসি পুম্নমক অসি মণিপুর লৈঙাক্লা চনিং তানা খন্থরগা ষ্টেট অসিগী অৱাৎ-অপাশিং অমসুং তঙাইফদবশিং অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী লৌনবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দম ওইহন্নিংই। হন্দক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা ফমখিবা কেবিনেট কম্মিটি ওন ইকনমিক এফেয়র্স (সী সী ঈ এ) না ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী কিলোমিটর ৬৫ শাংবা শরুক শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ১,৬৩০.২৯ থাদনবা অয়াবা পীখিবা খোঙথাং অসি তরাম্না ওকই। অখন্নবা থৌরাং অসিগী ক্রেডিট চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চূংশিন্নবা লৈঙাক্তা পীনিংই। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ইম্ফালদগী ৱাংজিং ফাওবগী নেসনল হায়ৱেগী শরুক অসি লেন মরিগী লম্বী ওইনা শেমগৎপা হায়বসি মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা থবক্তা ওন্থোকপা হৌখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা ৱাংজিংদগী কোংখাং ফাওবগী লম্বী অসিনা লেন অনীগী ওইনা শেমগৎলগনি হায়না সেন্টরনা অয়াবা পীরকপা অসিমকসু এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী শরুক অমা ওইনা ট্রেদ এন্দ কম্মর্সকী মীৎয়েংদনি হায়না লৌরবসু য়াই। মতাং অসিনা পঙ্ঙনিংবা ৱাফমদি মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্লিবদি ইম্ফালদগী মোরে ফাওবা হায়বসি কিলোমিটর ১১০ রোম শাংবা নেসনল হায়ৱে অসি ফোর লেন ওইহন্দুনা করিগুম্বা মখলগী অপনবা অমত্তা য়াওদনা পুং ১গী লম্বী ওইহনবদুনি। হায়রিবা লম্বী অসিনা পুং ১খক্তংগী মতম চঙবা তারগদি মণিপুরদা মখল-মখা কয়াগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াগনি হায়বসি লৈঙাক্তা খঙহন্নিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

লৈঙাক্কী থৌশিল মীয়াম্না পেন্নরি, হেন্না ফজহন্নীংই

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পাক চাউরবা মালেমগী মচেৎ অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী পীক্লবা বিন্দু অমখকনি মণিপুর। ইন্দিয়াগী নোংপোক চিদাইদা ইংনা চিক্লা মদোম ঙান্না শাৎচবী লৈরাংগুম লৈজরম্মী। মীওই ফুরুপ কয়ানা নুংশি চান্ননা খুন্দাজবা লমদম অমা ওইরম্মী। অদুবু কদায় ঙসিগী মণিপুর পুমওন ওনখ্রে। বন্দপুর হায়না কৌনখ্রে। কনানা কনাগী ৱা তানদ্রে, অমনা অমগী অশোনবা, অচেঙবা য়েংদুনা করি খুদোংচাবা লৌশিগে, মুনসিগে খন্দুনা লুম্নরি। পীক্লিবা অঙাং নৱানা মমা কায়না মৈচাক্তু মদোম তুমিন মখূৎ মচা অদু থেক্তুনা করিনো খল্লিবা? মচা কায়না মমানা অঙাওবীগী শক্তম লৌরিবা, নুপীগী মপোক ওইবনা তৌফম খঙদা লেল্লিবা! পঙজবী নুজা কয়ানা নুংশি তুংইনজরুবদি সনা-লিক্লাংগা লোয়ননা থৱায় মিরেল লৌবিখিদো। পলেম মমা কয়াগী মীকপ-মীরাওখোলতনা পূমনিল নিললে। নীনি কাংদা পোৎলোইবগী মৈখুনা নোংদোল খেৎনা ৱাংখ্রে। হয়েংনা করি অমুক মীপাইরি। পূম্নমক্কী মরুদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মকোন শাহনবা, পৈশা পাম্বা গধা মকোক পানবশিং অদুনা থোকহনবনি। মণিপুর ইমা লৈবাকসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী কৈথেল ওইরিদো। লাক্ষতগী হৌরগা ক্রোরগী ৱারী ঙাক্তনি। ঐখোয়গী মীশিংদা য়েন্থোকপদা কেজি ৪০ গী বোরা অমা হেন্না থুংনরনি। থিংলগা হেন্না মমল কানরি দবল তোংনা য়োন্নরি। মনা মশিং য়োল্লম্বা কাঙবু খরা অমনা খৈনি থীবা চৎনরি। কদায়দা করি লৈরিবগে লোন্না লোন্না হংনরি। অতৈ পোৎলমসু অদু মঙায় লোয়না ফংলি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মকোন শারিবা কোক অদুনা কৈদৌনুংদা ধর্ম্ম হায়বদো লৈররোই। শারমচৎ ওইদুনা অফং অফংবা শেত্তুনা চারনি। মচা মনাও, মমা-মপা খঙলরোই। তাইবঙ পানবা জীব পূম্নমক্কী মকোক ওইরিবা 'মীওইবা' হায়বা ফজখ্রবা মীংথোল অমা ফংজরিবা অসি ঐখোয়গী 'ৱাখল খন্থবা ঙম্বগী শক্তি' অসি লৈরম্বনা ফংলিনি। ৱাখলসিবু কাউথোক্লিবা মহাক্তু শিজখিবনা হেন্না ফৈ, হিংলুবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। মরম অদুনা মরালগী মতুংইন্না শিজখিবা মীদুদি করিসু কায়দে অদুনা মরাল লৈজদবা অশোনবা তোল্ল-তারবা নুপী অঙাংবু হেক্তা হাৎতোকপীবা হিংচাবা মখোয় অদুদি ঙাওগেরা-ফৈগেরা খন্নবা লৈতনা খুদক্তা মানা হাৎখিবা মীহাৎ অদুগা চপ মান্ননা হাৎতোকপনা ফৈ। ৱাফমসিদা আইনগী মথৌ তাদে খল্লি। লোদি মীওইবনা শেম্বনি। করিগুম্বা অঙাওবনি হায়দুনা মখোয়বু থল্লবদি নোংমদি মহাক্লা অদোমগী নুংশিজনা থমজরিবা নুপী অঙাং হাৎলক্লোইদ্রা? খন্নসি। সাইন্সনা ফনা য়াম্না চাওখৎলবসু ধর্ম্ম হায়বা ৱাহৈসি কাউনরবদি নুংঙাইরবা তাইবঙপানবদা হিংবা অদুম ৱাননি। মীওইবগী থৱায় হায়রিবা পোৎশকসি কৈদৌনুংদা খূৎশেমগী ওইবা য়ারোই। তাইবঙ শেম্বা মপূনা পীবিরম্বা তাঙলবা খুদোলপোৎ অমনি। ফাওরবা ডাক্তর অমনা থৱায়সি শেম শারগা পীবা ঙমদে। খন্নসি খন্নহৌদ্রবা মীৎকুপনা মালেমদগী ফংজবা 'লিট্টল পেরেদাইস' (অপীকপা স্বর্গ) ইমা লৈবাক মণিপুরগী তাঙলবা মীংথোল মাঙখ্রগনি।

অরোইবদা থমজনীংলিবদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মরমদা চেন্নবশিং অমদি লোন্না য়োল্লিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীবগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা থবক তৌদবা মীওইশিংবু সী আই দি ওইনা থাবিবা অসিনি। লুপা চামঙা লৌরগা থাদোক্লমগদবা ওইরবদি থিংবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মিৎয়েং চিংশিনবীনবা হায়জরি।

অদোমগী - য়েঙ্খোম তোম্বী দেবী
খোঙহাম্পাৎ ময়ায়

মণিপুরদা তোয়না ঈচাউ থোকপা মাংলমচৎতা লৈঙাকখিবা গভর্ণমেন্টশিংননি

ইঙা-ইঙেনগী মতম নোংজু থাদা ঈশিং চাউবা হায়বসি মহৌশা-মহৌশানি। কুম খুদিংগী তৌদুনা লাকপনি। থোয়দোক্লা ঙক্লিংঙাই লৈতে। অদুম ওইনমক ঙসিদি লমদম অসিদা মণিপুরদা ঈশিং চাউবগী অৱাবা অমদি চাউনা মায়োক্লরে। অৱাবা অসি কুইরক্লে মায়োক্লরক্লিবা। শম্না হায়রবদা কুম খুদিংগী ঈশিং চাউদুনা লৌবুক্তা থারিবা মহৈ-মরোংশিং, যূম-কৈ তেকপা, শা-ষণশিং শিবা অমদি মীওইবগী পুন্সি ফাওবা মাঙবা লৈখ্রে। চহী খুদিংগী নোংজু থাদা ঈশিং চাউরনি হায়বসু লোয়না খঙনদুনা লৈরবনি।

ঈশিং ঈচাউ থিংনবা হোৎনবা হায়বসি মতম চঙবা থবক অমনি। ঈচাউ হেক থোকপগা খুদক্তা থিংবা ঙম্বা থবক নত্তে। অদুবু মণিপুরদদি ঈচাউ থোকপা মতমদা খুদক্তা থিংনবা হোৎনৈ। হোৎনরিবা থবক অদু চাওখৎলক্লিবা ঈশিং অদু থিংনবা হোৎনবখক্তনি। অদুবু মদু করম্না থিংগনি মরমদি মায়কৈ মরিমক য়ামখ্রবা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈরবনি। য়ামখ্রবা ঈশিং ময়াম অমনা মায়কৈ মরিদা লৈরিবা চীংদগী চেন্থরকপনা পীকখ্রবা তম্পাক্কী মফম পুম্নমক ঈচাউগী য়ামখ্রবা ঈশিংনা থুমজিনবনি। খন্দুনা য়েংবিয়ু মণিপুরগী পাক চাউবসিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা শরুক মরিফুতরাদি চীংগী লমনি। মরম অদুনা শরুক মরিফুতরাদগী য়াংনা চেন্থরকপা ঈশিং ময়াম অদুনা শরুক তরাখক্তা ওইবা তম্পাক্কী লম অসিদা লোয়না ঈশিং ময়ামদুনা থুমজিনবনি। কুম খুদিংগী ঈচাউ থোক্লনি হায়বসি মীয়ামসু খঙই অদুগা লৈঙাকসু খঙই। খঙনা খঙনা ঈচাউ মায়োক্নে। কুম খুদিংগী। ঈচাউ থোক্লবা মতমদতা ঈচাউ চাউবা থিংনবা হোৎনৈ। ঈচাউ থেংনবা হায়বসি তুরেল মপান কায়রকপা মফমদু মেনশিনবা ওইনা খন্নরে। ঈশিংগী শাফু হায়বসিগী মপাঙ্গল য়াম্না শাথিনা কল্লি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খঙনরে। অদুনদি করম্না তুরেল মপাল কায়রকপা থিংবনা ঈচাউ থিংবা ঙমগনি। তুরেল মপান কায়রক্কদৌরবা হায়বসি চীংদগী তম্পাক্কী লমদা ঈশিং য়াম্না চেন্থরক্তুনা লৈরে হায়বা তাকপনি। য়ামখ্রবা ঈশিং অদুনা ঙমখ্রবা চীংদগী শাফু কন্না য়াংনা চেন্থরকপা অদুবু উ-ৰা, লৈঙোই বোরা খরনা ঈশিং থিংগনি হায়বসি ওইথোক্তবা থবক অমনি।

হৌখিবা চহী কুনলোমগী মমাঙদগী মণিপুরদা কুম খুদিংগী নোংজু থা হেক লাকপদা ঈচাউ হেক্তা থোকই হায়বসি লৈঙাক্লা খঙলবনি। মদু ওইরবদি তুং কোয়না চৎনগদবা থৌরাং থৌশিল অমা পায়খৎপা নহান্না য়ারবনি। অদুবু মদু পায়খৎপমক্তি উবা ফংদে। পায়খৎলবসু মদুগী মহয় চাবা উদে। মদুনদি পায়খৎলিবা থবক অদু ঈচাউ থিংবদা মতিক চাবা, চুনবা থৌরাং-থৌশিল নত্তে হায়দবা ঙল্লোই। মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা য়াম্না তোয়না হায়নৈ মদুদি কুম খুদিংগী নোং খজিক্তং তাবদা ঈচাউ থোক্লিবসি তুরেল মরীল ফুনজিনবদগীনি হায়বসিনি। অদুবু মসিনা ঈচাউ থোক্লবগী খ্বাইদগী চাউবা মরম অমদি নত্তে। হোয় মসিসু মরুওইবা মরম অমদি ওইরি। খ্বাইদগী মরুওইবা মরম খরদি চীংগী লমদা উ-ৰা পাক্তক্লনা য়াম্থৎতুনা উমং কোকথোকপা, নোংগী ঈশিংনা চীংগী লৈবাক

অওনবা মালেম
সৌবাম তোম্বা লুৰাং

লৈহাও চেন্থদুনা তুরেল খোংনুংদা পুথরকপা, তম্পাক লমদা লৈরিবা অকুৎপা পাৎ কয়া লৈবাক্লা ফুনজিন্দুনা যূম-কৈ কয়া শাজিল্লকপা অসিনচিংবশিং অসিনি। নোংজু থাদা চুরিবা নোংনা ঙসিদি তম্পাক্কী শরুক অয়াম্বদি ঈশিং ঈচাউজী অৱাবা মায়োক্লরে। খন্দুনা য়েংবিয়ু থায়নদি অদুক হাক্ল ঈচাউ থোক্লমদে। অদুগা ঙসিনা নোং খজিক্তং তাবদা ঈচাউ থোক্লে। ৰাহৈ অসি মীয়ামসু অদুগা লৈঙাকসু হেক্তা হায় ঈশিংবু চাউরবদি। খন্দুনা য়েংবিয়ু থায়নসু নোং অদুমক তাই নোংজু থাদা। মতমদুনবু হেন্না নোং তাবা হেল্লি। নীংশিংলকই থায়না নোংজু থাদা চয়োল অমা চুপ্লা নোং শুকলেপ লেপ্তুনা চুবা য়াওখি। মদু নুমিৎ মশক চয়োল অমা উবা নত্তে। অদুবু ঙসিগী অসুম্না ঈশিং ঈচাউ থোক্তে। ঙসিদি থায়নগী অদুগুম্না নোং য়াম্না চুবা হায়বদুসু নৎত্রে। মালেমগী অইং-অশাগী চাং অসি থায়নগা য়াম্না খেন্নরে। শাবগী চাং য়াম্না হোংলে। মালেম অসি শাবগী চাং য়াম্না হোংলে। নোংজুগী চাং য়াম্না হন্থরে মালেমগী মফম পুম্নমক্তা। মরম অদুনা নোং চুবগী চাং য়াম্না হন্থরে মণিপুরদসু। অদুবু ঈশিং-ঈচাউজী চাংদি হেঙ্গৎলক্লি নোংজুগী চাং হন্থরবসু। মসিনি খন্নগদবা ৰাফম মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা।

থায়না নোং য়াম্না চুরবসু ঈশিং চাউবগী চাং য়াম্না নেম্মী। মসিগী মরমদি চীংদা উ-ৰা য়াম্না হৌবদগী নোংগী ঈশিং অদু চীংদা ফাজিন্দুনা থমখি। শম্না হায়রবদা চীংদগী নোংগী ঈশিং য়াম্না থুনা চেন্থরক্তে তম্না চেন্থরক্লিবা তুরেলশিংদা অমদি তম্পাক্কী চীংখোং-চীংয়াদা। মসিনা মরম ওইরগা তম্পাক্তা তারক্লিবা য়াল্লবা নোংগী ঈশিংদুনা চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিং ময়াম অনীসিনা পূনশিল্লবসু ঈচাউ থোকপা ঙমদে। শম্না চীংদগী নোংগী ঈশিং য়াম্না চেন্থরক্ত্রে হায়বনি। মসিগা লোয়ননা ঈশিংনা চেন্থরক্তুবনিনা তুরেলদা চীং লৈবাক কয়া নোংগী ঈশিংনা চেন্থরক্তবদগী তুরেল মরীল ফুনজিল্লক্তে হায়বা তাকপনি। থায়নদি মীশিং য়ামদবনিনা তম্পাক্কী লমদা লৈরিবা পাৎশিং অসি নোংগী ঈশিং চিথফম অমদি ঈশিং তুংশিনফম ওইনরম্মী। য়ামখ্রবা নোংগী ঈশিং অকুৎপা পাৎশিং অসিদা চেন্থখিবনা ঈশিং চাউবগী চাং য়াম্না হন্থে। অদুবু ঙসিদি পাৎ অয়াম্বা ফুনজিন্দুনা যূম-কৈ কয়া শাজিল্লে। অকুৎপা ঈশিং তুংবা পাৎ ওইরম্বদু অতোংবা মফম ওইরে। মী লৈননবা যূম শারবনিনা অকুৎপা মফম ওইদ্রে। পাৎ হায়বদু ওইদ্রে। মমিংতবু পাৎ হায়না কৌবখক্তনি। তম্পাক্কী লমদা চুরিবা নোংগী ঈশিং ময়াম অদু চেন্থখিনবা অকুৎপা পাৎ অদু লৈত্রবনিনা গ্লোবেল ৱার্মিং লৈদুনা নোং খজিক্তং তারবা মতমসিদা মণিপুরগী তম্পাক লমদা ঈশিং চাউরে। মসিগীসু মথক্তা চীংদা উ-ৰা হৌদবদগী নোংগী ঈশিংনা ইরায় লায়না চেন্থরকপা চীংলৈবাক কয়া তুরেলগী ইমায় থেনগৎহল্লি। মসিনসু ঈশিং য়াম্না চন্দবা তুরেল হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা নোং খজিক্তং চুবদা তুরেলশিংদা ঈশিং য়াম্না চন্দবদগী পাথোক্তুনা ঈশিং চাওরকপদা মতেং মতেং ওইরকপনি। মণিপুরদা ঈশিং চাউরিবসিগী মরমদি মীওইবা ঐখোয়না থোকহনজবনি।

মণিপুরদা ঈশিং চাউবা হায়বসিদা মখল অনী লৈরে হায়বা য়াই মদুদি অহানবদা তুরেল পাথোক্তুনা ঈশিং চাউবা হায়বা অমা অদুগা অনীশুবদুনা লৈরক্কী ইরম-খোঙলম ঈশিংনা পাথোক্তুনা ঈশিং চাউবা অমা অনীসিনি। তুরেল লৈরায় কায়দুনা ঈশিং চাউবগী মরমশিংদি মথক্তা পঞ্জখ্রে। অদুবু লৈরক্তা ঈশিং চাউবগীদি অতৈনা নত্তে মীওই কয়ানা লম করাম্বদগী লৈরক্কী চাউনা চাউনা লৈরম্বা খোঙবাল লম খোপচিন্দুনা যূম শাজিনবা অমদি চেকপল খাজিনবদগীনি। মরম অদুনা মীনা মবুক ফত্তবদগী ঈশিং চাউহনবনি। মসিদি খুৎশেমগী ঈচাউনি। অতোপ্পা মীদা মরাল থংজিনবা অমদি তায়ননীংঙাই লৈতে। লৈকায়গী খোংবাল ফজনা চাউনা লৈরবদি নোংগী ঈশিং চেন্থখিবা ঙমগনি। খোংবাল লৈতবদগী ঈশিং মৌখৎলকপসু ঙসিদি ঈশিং চাউবগী ৰাথোক চাউনা থোক্লে। অঙকপনি মণিপুর হায়বা লম অসি। খোংবাল ফুন্দুনা যূম শাজিনবদা লৈঙাকসু করিমত্তা হায়দ্রে অদুগা মীয়ামসু ফৎত্রে। অনীমক মরাল লৈরে। অদুবু মীয়াম্নদি লৈরক ঈশিং থুন্নে হায়দুনা লৈঙাক্তা চৈরে থবক নিংথিনা মীয়ামগীদমক তৌদ্রে হায়দুনা। মশাগী মরালদুদি কাউজখ্রে। লৈঙাকসু মশাগী মরাল ওইরবোই নীংজরে।

ঈচাউ থিংনবা থবক চহী তরা/কুনগী মমাঙদা চুনবা থৌশিল-থৌরাং লৈঙাক্লা লৌখৎলল্লবদি মণিপুরদা ঈচাউ থোকপগী চাং য়াম্না হন্থরমগনি ঙসিদি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চীংদা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া নিংথিনা ঙাক শেল্লল্লবা, চীংদা থাখিবা উ কয়া হিংহল্লল্লবা, উমংগী শাশিং ঙাক-শেনবগী থবক ঙন্না লৌখৎলমগদবনি। উ য়ান্থৎতুনা মফম হোং হোংদুনা চীংদা পাম্লৌ উবগী থবক য়াদে হায়দুনা তৌহল্লমদ্রবদি উমং কোকথোক্লল্লোই অদুগা ঈচাউ থোকপগী চাং য়াম্না হন্থরমগনি। হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা চীংদা শেন্থোক লৈবা হৈ-রা থাবা, উরৈ থাবা অমদি এঞ্জাং-নাপি থাবগী থবক থম্মোয় শেংনা চাকওই-থুমওইনবা হোৎনবা চঙই নৎত্রবদি চীংমীশিংনা উ-ৰা য়ান্থৎলগা হিংননবা মফম হোং হোংদুনা পামলৌ উবগী হৈনবী অদুমক লৈখিগনি। শেল ফংননবা উ য়ান্থৎলগা শেল তানবগী হৈনবী লৈখিগনি। পুথোরক্লিবা হৈ-রাশিং য়োনবগী খুদোংচাবা লম্বী, কৈথেল অমদি হৈ-মহি শুংনবগী কোল ষ্টোরেজ অমদি খৃৎশু-খৃৎলায় চীংদা ফংহন্দুনা শেন্থোক লৈবা থবক পীবা তাই। চীংদা ঈশিং ফংলক্তবগী খ্বাইদগী চাউবা মরম মখোয় মশানা উ য়ান্থৎপদগীনি হায়বসি চীংমীশিংদা নিংথিনা খঙহনবা তাই। তম্পাক্কী লমদা লৈবা পাৎশিংদা ফুনজিন্দুনা যূম-কৈ শাজিনবা য়াদনবা অকনবা থবক লৌখৎত্রবদি ঈশিং য়াম্না থুমখিনি। য়েংবিয়ু লম্ফেলপাৎ, তাকয়েলপাৎ, পোরোম্পাৎ, অকামপাৎনচিংবদা যূম-কৈ লোয়না শাজিনখ্রে। মসিসু অয়াম্বনা গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিং ঙাক্তনি। চাউরবা, লুরবা লম্ফেলপাৎনা পাৎ ওইনা লৈরল্লবদি য়াল্লবা নোংগী ঈশিং লোয়নমক চিথিখিদুনা ইম্ফাল ময়োল ঈশিং চাউগাদবদগী কল্লম্বসু য়াই। মদুনি থায়না তৌরল্লিবসি। যূম-কৈ শাজিনবগী মহুৎতা পাৎ ওইনা থল্লগা ঙা য়োকপা অমদি টুরিষ্ট স্পোট ওইনা থল্লল্লবদি ষ্টেটকী শেন্থোক অমদি অইং-অশাগী খল কায়রল্লোই। মসি মীৎয়েং শান্দবা মীওইশিংনা হায়বদি মতিক চাদবা মীওইশিংনা লৈঙাকখিবদগীনি। অদুবু ঙসিদি ঙসিগী মীৎয়েং শানবা লৈঙাকপশিং অসি থায়নগী মীৎয়েং শান্দবা লৈঙাকপশিংনা তৌরম্বদুমক্তি তৌহন্নীংদে। মথংগী য়াম্না চাওখৎলবা মীরোলনা উবদা থম্মোয় শোকহনগদবা থবক্তি তৌরম্বা চুমদে । মরমদি মখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং ওইগদৌরিবনি।

ঈচাউ নংলবশিংদা লৈঙাক্কী থৌদাং ময়েক শেংহন্নীংই

মতম মতমগী ৰাফম
সেঞ্জম দেবেন

লমদমসিগী মফম কয়ামরুমদা, চৎলিবা নোংজু পাম্থাসিগী ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মণিপুরগী মশীং লাকপ্তমদ্রবা মীচম-মীয়ামশিংনা ঈশিং-ঈচাউজী অৱাবা মায়োক্লরি। ইমুং কয়ামরুমগী যূমশিং থুমজিনখিবনা লৈফম-চাফম লৈতবগী খুদোংথীবশিং নংলি। কোয়চেন-চেন্নরি, হীংনবা লম্বী থীবদা লৈকায়-লৈকায়দা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিংদা তাংজফম লৌদুনা খাঙনরি। মীওই কয়ামুক্কী পুকচাক থাক্লুগদৌরিবা লৌফমশিংনা মশীং থীঙমদনা লোক্তাক্কী পাম্থক ওইখ্রি। শেন্দোং খরদংদা ওইরবসু ফংজগদ্রা খন্দুনা, মতম কয়া চঙনা মচিঞ্জাক থাক্তুনা চাউনবা থৌরাং পায়খৎচরকপা, মশীং থীঙমদ্রবা ঙায়োক ফার্মশিংগী ঙাশিংনা পনখৈ লৈত্রবা ঈপাক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা মনীং তমখ্রি। ফীভমসিদা ইচম-চম্না, লৌ-শীং অমদি মনা-মশীংগী ইঙ্খোলশিং কোয়জরগা অমসুং ঙা ফার্মশিং তৌজরগা হীংনবগী পাম্বৈ ওইজরম্বা, ঈচাউনা শোকহল্লবা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিং, ইচিন-ইনাওশিংগী পুন্সি কনানা ঙাক্লো ওইবিগদৌরি? কনানা মখোয়বু মহৌশাগী পুন্সিগী ফীভমশিংদা হঞ্জিনহল্লক্লবা হোৎনবীগদৌরি? লিন্না চিকত্রিবা মীশিংনা লিনগী হুগী মতিং খঙদবগুম অমদি লিন্না চিক্লবা মীশিং খক্তনা লিনগী হুগী মতিং খঙবগুম, ঈচাউ নংদ্রিবা লমদমসিগী ইচিন-ইনাওশিংনা ঈচাউনা ফীভম শোকহল্লবা ইরমদমসিগী ইচিন-ইনাওশিংগী অৱাবা মশক খঙদবগী চৎনবীদু ঙসিদি লমদমসিদা লৈহল্লগুমসি। ঈচাউনা অৱাবা তারবা লৈপাক্কী মফম কয়ামরুমগী ইচিন-ইনাওশিংনা টি ভিনচিংবা মিদিয়াশিংদা পীনরকপা মিৎনা উবা পাউদমশিংদা লৈঙাকপু পেন্দবা কয়ামরুম ফোংদোক্লরকপা থেংনরি। ফীভমশিংসি উরবদা, ঈশিং-ঈচাও নংদবা, ময়ূম থুঙ্গী খুদোংথীবা মশক খঙদবা, লৈঙাক পায়বা লৈঙাক্কী লুচিং-পুরেল ওইরিবশিং, মখোয়বু নীংশিংলক্লোই খক ঙমদে। ঙসি লমদমসিগী লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিং, মখোয়না মতম অমদা, ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপদা, ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবগীদমক লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিংগী মফমদা ভোটকীদমক হায়জ-নোঞ্জখিবশিং, ঙাঙখি-শকখিবশিং অমদি মতমদুদা মীচম-মীয়ামশিংদা মখোয়না ফাওবিখিবা মীনুংশিশিং অমত্তা ৱাত্তনা ঙসিসু মিৎমাঙসিমক্তদা শং-শং উরক্লি, নাকোং অনীমকসিদা ঞ্জং-ঞ্জং ঙংনা তারি।

হায়সু হায়বনি হায়বৱু, হন্দক্কী নোংজু-পাম্থাগী ফুঙ্গৈরবা নোংলিকশিংনা মণিপুরগী তুরেলগী মরুশিংদা অহিং-নুংথিল খায়দনা কল্লবা নোংজুগী ঈহৌ কয়া তত্তনা চৎথিখিবদগী হন্দক, মণিপুরগী মফম কয়ামুক্তা শীন-থুংনা ঈচাউগী অৱাবশিং নংহল্লিবসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলিবা থৌরাংশিং, মীয়াম্না পেন্নবগী থৌদৌশিং ইওই-ওইদবগুম তৌরি। ঈ-পাউশিংদা ঈশিং-ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওই কয়ামুক্কী ৱাকৎ-খোঞ্জেলশিং তত্তনা মীয়ামদা তাবা ফংহল্লি। অয়াম্বনা মপূক্কিংদা নুংনাংবনা পীক থনবা অমসুং পেন্দবগী ৱাকৎশিংনা মাঙজিন থাদুনা চৎনবগুম তৌরি। ফীভমসিমক্তি তশেংনা, অৱাবা তারবা ইচিন-ইনাওশিংদুনা মতম অমদা মণিপুর লৈঙাক্কীদমক খঞ্জখিবশিংদুগা য়েংনবদা খরা-খিৎ খেন্নবগুম লৌনরি। অদুম ওইনমক, মণিপুরদদা নত্তনা অতৈ ষ্টেট কয়ামুক্তসু, ষ্টেট লৈঙাক অমত্তনা খক ষ্টেটতুগী মীয়াম পুম্নমকপু হুপতুনা পেলহনবা ঙমখি হায়বসি তাখিদ্রি। অদুমকপু হন্দক্কী মণিপুরগী অমদি নোর্থ-ইষ্টকী ঈচাউগী অৱাবশিংসিদদি, দিল্লিগী ময়ায় লৈঙাকসিসু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপদি তৌহন্নীংদে। মমাঙঙৈদা মণিপুরদা ঈশিং ঈচাউশিং থোকত্রিঙৈ, খোঙ্গং-খূৎকংলিঙৈ, ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপা মতমদা নোংমা কাংদনা মণিপুরদা মণিপুরগী ফীভম য়েংশিনবা লাকপীখিবা দিল্লিগী ফম্নাইবশিংদু ঙসিসু মীয়াম্না নীংশিংনরি। ঙসিগী মণিপুরগী ফীভমসিদসু লুচিংবশিংদু হঙ্গৎ-হন্দা, খরা অদুম্মক লাকহন্নীংবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনরমগনি। হৌজিক ৱানরিঙৈ তাঞ্জাসিমক্তদা পংহায়-হায়নীংদবা অমসুং পংপন-পন্নীংদবগী ৱানি, মখোয়দুননি মণিপুরদা লাক্লস্লগা, মণিপুরগী ঈশিং-ঈচাউজী ফীভমশিংসি য়েংশিনবীখ্রবা মতুংদা, মণিপুরগীদমক কান্নবা অমসুং তোংজনীংঙাই ওইবা লম্বীশিং লাক্কদৌরিবসি। ৱাফম অমসু নীংশিংলকই, মমাঙঙৈদা মণিপুরদা মীচম-মীয়াম কয়ামরুম অমনা ঈশিং ঈচাউদা ঈরাক্লবগী, ময়ূম-মকৈ পুথখিবদগী লৈফম-চাফম লৈতবগী অৱা-চৈনাশিং মায়োক্লরিঙৈ তাঞ্জাশিংদা, ওন্না তৈননা মণিপুরগী মরী লৈনবা য়াইতোং ফমদোংবশিং অমদি অচৌ-অশাংশিং কয়ামরুম্না লৈপাক্কী ঈশিং ঈচাউগী মীংদা মরল-মথুমশিং ঈশিং ঈচাউ লাকপগুম্না পৈথৎনখিবগী থৌদৌশিংদু ঙসিদি অমুক হন্না ইরমদমসিদা থোকহনবীদনবগীদমক তাইবঙ মপৃগী মফমদা ঐখোয় থৌনিজসি। কোঞ্জেং-কোকফাইনা ৱানা নোমজরগা পাকখ্রবা সমুদ্রগী ঈয়ায়দুদা শুপ্লগী মরুম খক কোকচনবগী মফম ফাওবা ফংজদুনা মনঙ্গন্দা মরুম কোকশিঞ্জে হায়বগী ফীভমদুগুম, মণিপুরদা ঈচাউ খুদিংগী ঈশিং থুমজিনগনবা, অনেম্বা মফমশিংদা খুন্দারুবা মীচম মীয়াম কয়ামুক্লা ৱানা ঈশিং ঈচাউশিং মায়োক্লরগা, অরেম্বদা মপূ শাবা ফম্নাই-তুনাইবশিংনা হেক

হেক লেম্না শেনবুন লোকপগী থৌদৌসি লৈপাক্কী মীচম-মীয়ামশিংনসু থিংনবা হোৎনম্নিসি। থিংজিনবা অমসুং থিজিনবগী থবকশিং হন্দক্তি খরা মপূং ফানসু পাঙথোকম্নিসি।

ঈশিং ঈচাউ খুদিংমক্কী মণিপুরদা মরাইবক ফখিবা মীওইশিং খরা খরদি অদুমক য়াওনখি হায়বসি চুম্না জাৎনি। মহৌশানা খুদক-খুদক্তা তৌবা থবকশিংগী শেনবাশিংবু করম্না কৃপ্না পাশিল্লগদগে? পারুবসু ঙল্লোই। মমাঙঙৈদগী হৌনা মণিপুরদা ঈংনা-তপ্না শেনবা চথবা য়াবা, কৃপ্না শেনবা তৌবা য়াবা থবকশিং ফাওবদসু অচুম্বা খুত্তৌ হায়বসি মশক অমুক্তা নিংথি-নুংঙাইনা উরকত্রবনি। তৌবসু, খুদক-খুদক্কী ওইবা ঈশিং-ঈচাউগী থবকশিংদুদবু, করম্নবু শেনবা চুম্নরমগবনো? ফজরমগনি ঈশিং ঈচাউজী শেনবাশিংদু। অসিদসু নত্তনা ঈচাউ থোকখ্রবা মতুং, ঈচাউনা শোকহনখ্রবশিং অমদি মাঙহন-তাকহনখ্রবশিংদুগীদমক ময়ায় লৈঙাক্তগী কায়থরকপা অচৌ-অচৌবা শেনফমশিংদু য়েন্থোক-য়েনশিনগী মতাংশিংদা অসুক্কী মতিক কোক শানরমগনি। কোক শানবা হায়রিবসি অতৈগী নত্তে, শুপ্লতগী খাইদোক-খাইজিন অমদি খায়দোক-খায়জিনশিংদুগীদমকনি। মণিপুরদা অরায়বা থবক অমত্তা খক লৈতে। লাইহন্দ্রিবা, লুহল্লিবা খুদিংমক্তুসু শুপ্লগী শেল্লেম-শেন্দোংশিংগী ঙাক্তনি। হৌজিক্কী মতমদা খাইদোক-খাইজিন অমদি খায়দোক-খায়জিনগী থবকশিংসি য়াওদবা থবক অমত্তা খক মণিপুরদা লৈতে হায়নবসি চুম্নমগনি। লৈসু লৈরল্লোই। মণিপুরদা ফত্তবা থবকশিং তৌরুবগী ফংলকপা ফত্তবা মহয় হায়বদু মশক উগে খক ফংদে। ফীভমসিমক্লা মণিপুরদা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা শেল তানবদা অকিবা খক পোক্লদে। কৈদৌঙৈদসু খক, অতোঙবদা লৈবা, ঈশিং ঈচাউ য়ৌদবা মখোয়দা ঈচাউজী অৱাবা মায়োক্লরিবা মখোয়শিংদুগী চাকথুংশিং মৎলুই, মুল্লুই হায়দুনা অতোঙবদা লৈরুবা মখোয়দা নোংমত্তা ঈচাউগী অৱাবশিংদু নংৱা হায়বসু খক নংবা লৈতে। অরানবা পাম্বৈশিং খক্তা শীজিন্নদুনা শেল তানশিনখিবা মণিপুরগী ইনাক খুনবা, শেঞ্জাউ পায়বশিংনা নোংমদা খক মখোয় অৱাবা লাঙফমশিং থেংনখি তাদে। মখোয়বু চৈরাক পীবিগদবা মখোয় মখোয়শিংদুসু চৈরাক ফংফম থোক্লিবা মখোয়গুম্বা ঙাক্তনি। হুরানবনা হুরানবা ফানবগী থবক তৌরিবা লমদমসিদবু ফারকপা হুরানবশিংদুদা কয়াম চাউনা চৈরাকশিং পীরুগদগে? তশেংনা লৈপাকসি হুরানবনা খুল্লিংবা লৈপাক হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইগদৌরিবনি। ঐখোয় চেকশিনহৌবা ফৈ। ইরমদমসিদা লৈনা লৈনা মীচম মীয়ামশিং ঐখোয়, অরানবা তৌবদা য়াওবা হৈনদবা কাঙবুশিংগী চাকথুংশিং লৈপাকসিগী শেঞ্জাউদা শরুক শুক্নাও য়াওরমদ্রমাল্লে হায়বসি ঐখোয় মুন্না খঙমিন্নবা ফৈ।

অহৌবদসু অরোইবদসু লাইবক্লা তাথীবীরবা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিংগীদমক, মরায়বক্তা থানিলগী থাজগুম পূমথন-থন্না, লংনা-ঙান্না অমুক্তং থোকপীরবা, ঙানবীরবা য়াবা লুচিংবা অমত্তং মণিপুরদা অথুবা, তেল্লবা মতমসিদা লাকহন্নীংই। লুচিংবদু য়ারিবমখৈ মশানা মশাবু লুচিংবনি হায়বসি খক খঙহল্লোইদবনি। করিগুম্বদা খঙখিবা থোক্লবসু, মশানা মশাবু লুচিংবা অমনি হায়বা ৱাখলসি খক খলহন্দনবা হোৎনগদবনি। মরমদি, মণিপুরদা মতম লৈবা খিবিক্তা চৎনবী অমা ওইনা, লুচিংবনিবু হেক হায়খ্রবদি, হেক হায়খিবগা, নুমিৎতুদগী হৌনা হাইগৎ-ৱাংখৎখিবা ৱাখল, ইংরাজিদা হায়রগা ইগো হায়বা ৱাহৈসিখক্তনা মশা পূম্বদু পীক থনগৎখি। ৱাখলদুমক্লা মশানা মশাবু মচেৎ তানা, শীংকূপ শানা মাঙহঞ্জদ্রিফাও, পথ-পূমথদ্রিফাও শোয়দনা ইগোগা শাগোন্নদুনা অদুম চৎমিন্নগল্লি।